## রতন থিয়াম ওক্কনি

*ইম্ফাল, মার্চ ৬ঃ* তোঙান তোঙানবা লুপ অমসুং লনাই মীওই কয়া পুল্লগা শেন্বা রতন থিয়াম তরাম্না ওকপা অপুনবা লুপ্পা শীন্দুনা লাক্লিবা তাং ৮ থাঙজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী হোলদা পাংথোক্কদবা থৌরম অমদা রতন থিয়াম্বু ওক্কদৌরি।

থৌরম অদুদা এলাংবম সোনামনি সিংহ, অরিবম শ্যাম শর্ম্মা, ওইনাম বিরমঙ্গোল সিংহ, এলাংবম চাউবন সিংহ, থোইদিংজম তোম্বী সিংহ, থৌরানি শাবী দেবী অমসুং বি জয়েন্তকুমার শর্ম্মনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইগনি হায়রি।

## মশক নাইবা ওঝা গুরুশিংদা শেলগী মতেং পীগদৌরি

*ইম্ফাল, মার্চ ৬ঃ* ভারত সরকারগী গুরু – শিক্ষ্য পরমপরা স্কিমগী মখাদা লমদম অসিগী মশক নাইবা মশাগী চহি ৪৫ দগী ৮০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওঝা গুরুশিংদা শেলগী মতেং পীগদৌরি।

মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফোল্ক দান্স, ফোল্ক সোং, মাইখুম শাবা, লি অমসুং উ–ৰানা শাবা অমদি ফোল্ক থিয়েটরনচিংবগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা মশক নাইবা ওঝা গুরুশিংনা লাক্লিবা তাং ১০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট পীশিল্লকপা য়াগনি।

দরখাষ্ট পীরকপা মতমদা মশা মশাগী বাইও–দাটা, পাসপোর্ট সাইজ ফোটো ২ মরী লৈনবা চে চাং লোয়নরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্তর নৎত্রগা দিপ্যুটি দিরেক্তর (প্রোগ্রাম)দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## কেন্সপ য়ৈথোক্লে

*ইম্ফাল, মার্চ ৬ঃ* কেন্সর পেসেন্ট এদ এসোসিয়েসন ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা সেলুটরি সার্ভিস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা লাক্লিবা তাং ৯ দা কেন্সর ফ্রি আর্লি দিটেক্সন কেম্প অমা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাংথোক্কনি তৌরম্বা অদু মতিক চাবা স্পোন্সরসিপ লৈতবা অমদি খুদোংচাদবা খরদগী য়ৈথোক্লে হায়না সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট ঐচ নিলকান্ত শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।



দিল্লিদা রেসিয়েল দিস্ক্রিমিনেসন লেপ্পু হায়বা পাউজেল পুদুনা সাইকল রেল্লি চৎকদৌরিবা সৌগাইজম বিদ্যলক্ষ্মী লৈমবু ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদগী লমথাখিবা

## শক চু মান্নদবগী মীৎয়েংদা ওৎ নৈবিবগী মায়োক্তা দিল্লিদা সাইকল কেম্পেইন

*ইম্ফাল, মার্চ ৬ঃ* জিরিবামগী লক্ষিপুরদা লৈবা কুমারি সৌগাইজম বিদ্যলক্ষ্মী লৈমনা শক–চু মান্নদবগী মিৎয়েংদা ওৎ নৈবগী মায়োক্তা দিল্লিদা সাইকল কেম্পেইন চত্থনবা ঙসি ইম্ফালদগী লমথাখ্রে।

ইম্ফাল সোলিদরিটি গ্রূপ মণিপুরনা শীন্দুনা চত্থগদবা দিল্লি কেম্পেইন অসি থা অসিগী তাং ১২ ফাওবা দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা সাইকল থৌদুনা শক চু মান্নদবগী মীৎয়েংদা ওৎপী নৈবিবা লেপ্পু হায়বা পাউজেল পীগনি হায়রি। ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা কুমারি বিদ্যালক্ষ্মীবু হৌনবী মতুং ইন্না সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৰাই মোহেন্দ্রো অমদি ৰাই থম্বাল এক্স এম এল এ ককচিংনা লমথাখি। মহাক্না তাং ১২ ফাওবা দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা সাইকল থৌদুনা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংদা মেন লেন্দ ইন্দিয়ানা চত্থরিবা রেসিয়েল দিস্ক্রিমিনেসন লেপ্পু হায়বা পাউজেল পীগনি।

পনবা য়াই, কুমারি সৌগাইজম বিদ্যলক্ষ্মী লৈমনা মমাং চহিগী আগষ্ট ২১ দগী ওক্তোবর ১১ ফাওবা নুমিৎ ৫২ নি চুপ্পা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা নুপীদা চত্থবা হিংসা লেপ্পু হায়বা পাউজেল পুদুনা সাইকল রেল্লি অমা মায় পাক্না চৎখ্রবনি। সাইকল রেল্লি অদু আগষ্ট ২১ দা ইম্ফালগী সনা কোনুং গেটতগী লমথারগা ওক্তোবর ১১ দা জিরিবামদা থুংখি।

খোঙচৎ অদুদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৭কী দিষ্ট্রিক্ট ৩৮ য়ৌবা ঙমখি। অপুনবা কিলোমিটর মশিংনা ৩৮৭৫ নি। মহাক্কী নুমিৎ ৫২ নি খোঙচৎ অদুদা প্রেসমিট ৪১, পব্লিক মিটিং অমদি ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম ৮৪ দা শরুক য়াখি। এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসন ১১, নুপী ওর্গনাইজেসন য়াওনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন ৪৯, পুলিস ষ্টেসন ১৯ অমসুং সরকারনা শীনবা ৩ য়াওনা তোঙান তোঙানবা রিসেপসন প্রোগ্রামদা শরুক য়াখি। মদুদা ইন্দো বঙ্গলাদেশ বোর্দরদা অমা অমসুং ইন্দো ম্যানমার বোর্দরদা অমসু য়াওখিবনি।

জিরিবামগী লক্ষিপুরদা লৈবা সৌগাইজম ইবোতোন অমসুং সৌগাইজম ওংবী আর কে ৰাঙ্গোইস্না দেবীগী মচানুপী বিদ্যলক্ষ্মী লৈমা ১৯৯৬ কী মার্চ তাং ১৫ দা পোকখি। নেসনেল সার্ভিস ভলন্টিয়র, এন ৰাই কে ইম্ফাল ইষ্টকী এক্স ভলন্টিয়রনি। চাইল্ড ৱেলফেয়র আশ্রম জিরিবামগী এক্টিভ মেম্বর ওইনা লৈরি। তোঙান তোঙানবা য়ুথ ত্রেনিং, য়ুথ কেম্প, সোসিয়েল সার্ভিস, যোগা অমসুং শান্ন–খোৎনবগী থৌরম কয়াদা শরুক য়ারুরে হায়রি।

## কামজোংদা নাৎকী কুম্মৈ হৌখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ৬ঃ* মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা তাংখুল ফুরুপকী নাৎকী কুম্মৈ ঙসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা কামজোংদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা লোকেল এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর সরকারগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ভিক্তর কৈশিং অমসুং আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর দা. কে সোবিতাসু শরুক য়াখি। কুম্মৈ অদুদা তাংখুল ফুরুপকী মখল কয়াগী জগোয় ঈশৈ পাংথোকপগা লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদা অঙাংশিংগী ফিল্মসু উৎকনি হায়রি।

## য়ংমাসো শৈজা এন্দ হিজ মণিপুর হায়বসিদা সেমিনার পাংথোক্কনি

*ইম্ফাল, মার্চ ৬ঃ* য়ুনাইটেদ ওল কম্মুনিটিজ সোসিয়েল অপলিফটর কংলৈপাক্না শীন্দুনা য়ংমাসো শৈজা এন্দ হিজ মণিপুর হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা লাক্লিবা নোংমাইজিং তাং ৯ গী অয়ুক পুং ৯ তাবদা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাংথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে।

এক্স মিনিষ্টর আর ভি মিংথিংনা মোদরেটর ওইদুনা পাংথোক্কদবা সেমিনারগী অয়ুক্কী সেসন্দা সগোলশেম ইন্দ্রকুমার সিংহনা অঙনবা মতমদা য়ংমাসো শৈজাগী ৰাখল্লোন্দা অমদি ৰাখল্লোন্না ইথিল পীখিবা মহাক্না লোয়নরম্বা মীওইশিং হায়বা হিরমদা, লিট্টল এঞ্জেল স্কুল উখ্রুলগী স্কুল এদমিনিষ্ট্রেটর শ্রীমতি সোসো শৈজানা ইভোলুসন ওফ এন ইন্সটিট্যুসন কোল্ড য়ংমাসো শৈজা হায়বা হিরমদা, সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট এ কে সনাতোন্না মণিপুরগী অপুনবা খুন্নাই অমগীদমক য়ংমাসো শৈজা হায়বা হিরমদা অদুগা পেটিগ্রূ কলেজ উখ্রুলগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডাক্তর শিমরাঙম হুংয়োনা য়ংমাসো শৈজা এজ এ মেন ওফ দি মাসেস হায়বা হিরমদা ৰা ঙাংগনি। অদুগা নুংথিলগী সেসন্দা আই এস টি ভি ন্যুজগী চিফ এদিটর ব্রোজেন্দ্রা নিংঙোম্বনা খুন্নাইলোন অমদি লৈঙাক্লোনগী মতিক চাবা লৌশিং চেল্লক্তবা, শেলনা য়ুম্ফম থোল্লগা ওইরকপা লৈঙাক্লোইশিংনা য়ংমাসো শৈজাদগী তমজবা য়াবশিং হায়বা হিরমদা, এম বি কলেজ ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. হোমেন থাংজমনা ইন্দিভিজুয়েলিষ্টিক পোলিটিকেল ইমমেচ্যুরিটি সোন বাই দি প্রজেন্ট পোলিটিসিয়ান ওফ দি ষ্টেট এন্দ ইটস রেমিদি ৱিট স্পিসিয়েল রিফরেন্স টু য়ংমাসো শৈজা হায়বা হিরমদা, অদুগা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট ডাক্তর ধনবির লাইশ্রম্না কম্মন পোলিটিকেল এসপিরেসন ওফ মণিপুর ৱিট স্পিসিয়েল রিফরেন্স টু য়ংমাসো শৈজাদ পোলিটিকেল ভিজন হায়বসিদা ৰা ঙাংদুনা নৈনগনি হায়রি।

## কলেজশিংগী ওইরিবা ফিভম নিংবা কায়নিংঙাইহনি

*ইম্ফাল, মার্চ ৬ঃ* মতম শাংনা মণিপুর সরকারনা হয়ার এদুকেসনবু ইন্থোক্তুনা থম্বীরকপনা অৰাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তম্ফম ওইরিবা কলেজশিংগী লৈরিবা ফিভম অসি য়াম্না নিংবা কায়নিংঙাইনি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না ফোংদোরক্লি।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি কঙাবম ধনজিৎনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অৰাৎ অপাতনা থল্লবা গভর্নমেন্ট কলেজ অমদি এদেদ কলেজশিংবু ফগৎলক্নবা কলেজশিংগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি এমসু য়ুনিটকী মহৈরোয়শিংগা পুন্না খন্ন–নৈনবগী থৌরম কয়াসু পাংথোক্তুনা লাক্লি। মদুগী মনুং চন্না ওরিয়েন্টেল কলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি কলেজ অসিগী এমসু য়ুনিটকী থৌ পুবশিংগা পুন্না উনদুনা অৰাৎ অপা য়েংশিনখ্রে। মদুদা এমসুগী সেক্রেটরি জেনরেল এল রেগানসু য়াওখি হায়রি।

## মালেমগী নুপীগী নুমিৎ থৌরমদা মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু– অমাৰোভা

*ইম্ফাল, মার্চ ৬ঃ* মালেমগী মফম কয়াদা চহি খুদিংগী মার্চ তাং ৮ বু মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ (ইন্টরনেস্নেল ৱুমেন্স দে) হায়না থৌরম পাংথোক্লক্লি। থৌরম অসি হন্দকসু ওল মণিপুর ৱুমেন্স ভলন্টরি এসোসিয়েসন (অমাৰোভা)না শীন্দুনা লাক্লিবা তাং ৮ থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাংথোক্কদৌরি।

থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়না অমাৰোভাগী চেরোল অমনা হায়জরি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রিবদি অনৌবা গ্লোবেলাইজেসনগী মতম অসিদদি ইশু কয়া খুদম ওইনা নুপী নুপাগী খেন্নবা খলগী, মহৌশাগী খল কায়বগী, লাইর অনংগী, থবক ফংদবগী, তোখায় তোখায়না লৈনবা খোঙজং কয়া উরি। পুম্নমক অসিগী হৌরকফমদি লৈঙাক লিক্লম অমসুং শেন্মিলোৎনগী মপুং ওইবা সিষ্টেমসিননি হায়বা ফাওবা কাউনৈ। অখণ্ড অহৈ কয়ানসু মীয়ামগী লৈত–লাইরা, অৰা অনা অসি নাথৈরগা মশাগীতা ওইবা মওং কয়া লেপ্পনা পীরি অমসুং ইলহন্নবা হোৎনরি। মসিমক্লা ইহৌ খুদিংমক মচি লেংবা ঙমদ্রিবনি।

হন্দক ভারতকী কোনুং দিল্লিদা লেপ্পা লৈতনা চথরক্লিবা ক্রাইম কয়াগী চাদ ৭০ রোমদি অৰাং নোংপোক্কী নুপীদা পীবা চৈথেং ঙাক্তনি। ইজ্জৎ মাংহনবা, মখুৎ মশা শাংবা, থিনা থিনা লক্লবা অমসুং ইজ্জৎ মাংহল্লগা হাত্তোকপীবনচিংবা তৌগে মতাগুম লেপ্তনা চত্থরি। দিল্লি পুলিসনা থোক্লিবা ৰাথোক কয়া অসিগী অহুম থোকপগী অনিদি এফ আই আর ফাওবা চনবিয়ু য়াদে। মসিমক শক চু তিন্নদবগী মীৎয়েংদা তাথি তাওইনা তৌবিবনি হায়না লৌবা তাবনি। অসিগীসু মথক্তা ইরমদম অসিদা ইহৌ কয়া চত্থরিবসি থৈদোক্লবা অপুনবা শক্তি থুগায়নবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুপীদা তাথি তাওইনা তৌবসি লেপ্তনা চত্থরি।

চহি খরসিদা নুপীগী ইজ্জৎ মাংহনবা, তাথি তাওইনা তৌবতা নত্তনা হাৎপা ফাওবা চত্থরক্লি। মসিনা তাকপদি ঐখোয়গী থবক লেপ্পা য়াদ্রি। অনৌবা শেন্মীৎলোনগী চৈথেং অমসুং হৌরক্লিবা অনৌবা কৈথেলগী পোত্থোক ময়াম অসিনা পুম্নমক অসি ওইহল্লকপনি হায়না লৌদবা য়ারোই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, শাংলবা চহি কয়া অসিদা মীয়াম্না খোঙজং কয়া চত্থদুনা লাওরবসু অফস্পা লৌথোক্ত্রি। অদুনা ইমার্জেন্সি রুল অমগী মখাদা লৈরিবা ঐখোয়না হিংবগী হক করম্না ফংগদৌরিবনো। দিমোক্রেসিগী মীংদা মরুওইখ্রবা নিংতম্বা অমসুং মান্নবা হায়বা ৰাফম অনি অসি ভারত কন্সটিট্যুসন্না মীয়ামদা পীরি হায়জরগসু ঐখোয়গী শরুক্তি থুংদে। হেন্নদুম অমগা অমগা খেন্ননা লৈরি।

সরকারগী ওইনসু পোলিসি শেন্বা খুদিংগী লাইরবা মীয়াম নমথরগা নুংঙাই য়াইফবা ফম্নাইবা খরগী খুদোংচাবা য়েংদুনা শেন্নি অমসুং থবক পায়খৎলি। কৈথেল পোৎফম ফম্বীগী ৰাথোক লোইশিন্দ্রি, শিন্মীশিংগী হেন্না খুদোং চানবা পোলিসি শেন্বিদ্রি, লুখ্রাবীশিং য়েংশিনবিদ্রি। অদুম্নদি ওইরগা সরকারনা মহৈ মশিং তম্বগী, অনা লায়েংগী থবক পুম্নমক লনাই মীওইদা ঙমজবী থাদুনা শিন্নবনা অৰাবা কয়া অমসু থেংনরি।

ইং ১৯০৮ গী মার্চ থাদা অমেরিকাগী ন্যু য়োর্কতা নুপী শিন্মীশিংনা চত্থখিবা অচৌবা খোঙজং অদুগী মতুং ১৯১৭ কী মার্চ ৮ দগী বোলসেবিক ওক্তোবর রিভোলুসনগা মরি লৈননা রুসিয়াগী নুপীশিংনা ৱ্রেথ এন্দ পিছ– চাক চরা অমসুং শান্তি হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা থেংনখি। চাইনিজ নুপীশিংনসু ফ্যুদেলিজম, জপানিজ ইম্পরিয়েলিজম্না চত্থবা নুপীবু ওৎ নৈবা, মমল য়াওদবা অমসুং থাক নেম্না থম্ববু নাম্থোক্লবগীদমক চাইনাগী রিভোলুসনরি মুভমেন্ট কয়াদা নুপীশিংনা চপ চানা থৌদাং লৌখি। মসিনা তাকপদি খুন্নাই অমগী পুন্সিরোল তুং হন্দুনা চৎলবা, মীবু মীনা ওৎ নৈরবা, লৈঙাকপগী পোলিসিনা মীয়ামগী মায়কৈদা লৈত্রবা, নিংতম্বা হায়বদু কদাইদনো হায়না হংনরক্লিবা কয়া অসি থোরক্লিবনি।

লৈপাক অমা নিংতম্বদা মীয়াম য়াওনা নিংতম্বগী ৰাহন্থোক লৈত্রবদি থেংনবা নত্তনা অতোপ্পা উপায় লৈতে। মদুগীদমক নুপী লান অহানবা ১৯০৪, অনিশুবা নুপী লান ১৯৩৯ অমসুং মৈরা পায়বীগী ইহৌ ১৯৮০ দগী লৈখিবনি। নংলিবা অৰা অনা পুন্বা ইরমদম অসিদা মীয়ামগী খন্দনা মশাগী য়াইফনবতা খল্লবা শেঙ্গাও পায়বা, খুদোংচাবা পুন্বা লৌবদা হালেংদ্রবা লোই মপু কয়াগা খুৎশম্নদুনা ওৎপা য়াবা ওৎলিবা, নৈবা য়াবা নৈরিবা শেল থুমগী ফংফম থোকপা মৎলিবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা লেপ্তনা থেংনমিন্নবা তঙাই ফদে। মসিমক ঐখোয়গী সিভিল, ইকনোমিক অমসুং পোলিটিকেল রাইটনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

## থাবল চোংবগী ৰাহন্থোক মাংহন্নবা হোৎনগুমসি –হেরিকোন

*ইম্ফাল, মার্চ ৬ঃ* কংলৈ খুন্নাইগী ফজরবা থাবল চোংবগী ৰাহন্থোক হৌজিক্কী মীরোলনা মাংহন্নবা হোৎনগুমসি, অদুনা নুমিৎ ৫ নিদগী হেন্না থাবল চোংবিগনু হায়না ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন)না ফোংদোরক্লি।

হেরিকোনগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা লাইশ্রম সনাজাওবা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা মখা তানা হায়রিবদি চহি খুদিংগী অমুক্তং তাঙনা ফংবা পাখং লৈশাবী, শাবি শানৌশিংনা লমতা থাগী থানিল নুমিৎতগী থাবল চোংবা হৌনরিবনি। লমতাগী থাবল চোংবগী মরম শুগায়না হায়রুদ্রবসু লৈকায়গী অহল লমন, লৈপাক্কী অখণ্ড অহৈশিংনা হেন্না খঙনরবা ঙাক্তনি।

কংলৈ খুন্নাইদা পাখং লৈশাবীশিংগী চাওরবা শকখং মাইখঙনহৌনবা তাঞ্জা পীবা কুম্মৈ হায়রগদি থাবল চোংবা অমদি লিকোন শান্নবনি। অদুবু ঙসিদি লিকোন শান্নবগী ৰারীদি তাখিদবা কুইরে। খুন লৈকাই খরদদি লিকোন শান্নরম্বসু য়াই। চহি খুদিংগী লমতা থানা লাকপদা হিন্দুগী য়াওশঙ হোলিগা ইরোইননা লমতাগী থানিলদগী হৌরগা নুমিৎ ৫ নিরোম চুপ্পা থাবল চোংবা সিমদি মুৎপা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা ৰাহন্থোক অমা লৈরিবা থৌরম অসি মফম মতম চাদনা অথিংবা লৈতনা চোংনিংলিমখৈ চোংলবদি থাবলগী মহাও অদু মাংখিদুনা ৰাহন্থোক লৈরক্তবসু য়াই।

ঐখোয়গী চৎনবী নাৎ, হরাও কুম্মৈ খুন্নাইসিগী চৎনবীগী মনুংদা লৈহনসি। হৌজিক্তি মোদর্নাইজেসন ৱেষ্টর্নাইজেসন ওইবা মওংদা ৱেষ্টর্ন অমদি ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী ষ্টাইলদা, দিস্কো দান্সকী মওংদা ওন্থোরকপা য়াবগী ফিভম অমসু উরি। অদুনা মফম মতম চাদনা থাবল চোংহন্দনবা নাৎকী ফিজোল শেংনবা হায়নরক্লিবসি কংলৈ খুন্নাই অসিগী থাবলগী মশক অদু মাংখিদনবগীমক্লি হায়না হেরিকোন্না লৌই। থবল চোংবা হায়বসি ত্রেদিসন্নি। মসিগী ফজবা ৰাহন্থোক লৈরিবনি। অদুনা য়ারিবমখৈ থবলগী ম্যুজিক্তা ৱেষ্টর্ননাইজেসন তৌদনা চোংনবা হোৎনবিয়ু। মমাংগী চহিদা য়াওশঙ নুমিৎ নিনিদা তেনশিন্নবা, থাবল নুমিৎ ৫ নিদগী হেন্না চোংবিদনবা হায়জখিবগুম কুমশি চহিগীসু ৰাফমসিমক কায়দনা মীয়ামদা থমজরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

## দিগবিজোয়গী ৰাথোক এ ঐচ আর সি য়ৌরে

*ইম্ফাল, মার্চ৬ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৰাঙ্গোই মখা লৈকায়দা লৈবা থৌদাম দিগবিজোয় ৰাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসন্দা দিটেন তৌদুনা থল্লবা মতুং শিখিবা অদুগী মতাংদা এসিয়ান হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন ( এ ঐচ আর সি) না ষ্টেট অসিদা বেজ তৌবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংদগী চপ চাবা ইনফোর্মেসন ফংলে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস হিষ্ট্রি অমসু এ ঐচ আর সিদা পীশিনখিবগা লোয়ননা মীশি অদু পুলিস কষ্টদিদা শিখিবা ওইবনা য়াম্না লুম্না লৌরি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতুংদা চত্থখিবা পেন্দবগী খোঙজংদা ৰাঙ্গোই পুলিসনা চত্থখিবা এক্সনদা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর ৩ শোকখিবগী মতাংদসু নিংথিনা খঙহনখি হায়রি।

মীশি অদুগী মতাংদা জে এ সি শেমদুনা খোঙজং কয়া চত্থখিবা অমদি অশিবা হকচাং লৌখিবগী মতাংদা পল্লদুনা ষ্টেট হোম মিনিষ্টরনা ৰাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী ও সিগী মথক্তা এক্সন লৌগনি হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়ননা মখা তানা নুমিৎ অদুদা দ্যুটি তাবা পার্সোনেলশিং সস্পেন্দ তৌগনি হায়বগী থাজবা পীবদগী হৌখিবা তাং ৪ দা জে এ সি অমসুং দিগবিজোয়গী ইমুং মনুংনা অশিবা হকচাং অদু ক্লেইম তৌবগা লোয়ননা লৌখিবনি হায়নসু অমুক হন্না নিংশিংলি।

## নুমিৎ ৫ নি চত্থগদবা লাইরিক মেলা হৌখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৬ঃ* জোব সেন্টর বাবুপরা ইম্ফাল অমসুং অরিহন্ত পব্লিকেসন (ইন্দিয়া) লিমিটেদ মেরুটনা পুন্না শীন্দুনা নুমিৎ ৫ নি চত্থগদবা লাইরিক মেলা ঙসি ইম্ফালগী নুপীলাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা হৌখ্রে।

নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা হাংগদবা লাইরিক মেলা অসিদা মরুওইনা ওল ইন্দিয়া কম্পিটিটিভ ইগজামিনেসনগী লাইরিকশিং, এম পি এস সি, য়ু পি এস সি, এস এস সি, বেঙ্ক, রেলৱে, ইন্সুরেন্সনচিংবগী মরি লৈনবা গাইদ লাইরিকশিং অমদি চিলদ্রেন অমসুং জেনরেলগী লাইরিকশিং অখন্নবা ফংগনি। লাইরিক খুদিংমক চাদ ১০ দিস্কাউন পীগনি হায়রি।

লাইরিক মেলা অদুগা মরি লৈননা জোব সেন্টর বাবুপরা ইম্ফালগী প্রোপাইটর নিংথৌজম বিজোয়না ফোংদোরকখিবদি পাংথোক্কদৌরিবা কম্পিটিটিভ এগজামিনেসনশিংগী য়েংলগা অখন্ননা লাইরিক মেলা অসি পাংথোকপনি। তোঙান তোঙানবা বুক ষ্টোরশিংদা কম্পিটিটিভ এগজামিনেসনগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং থিবগী অৰাবা অদু নুমিৎ ৫ নিগী মেলা অসিনা খরমখৈদি কোকহনবা ঙম্লগনি। অদুনা মীয়াম্না মরুওইনা মহৈরোয়শিংনা মেলা অসিগী খুদোংচাবা লৌবিয়ু হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি।



নুপী লান মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স ইম্ফালদা ঙরাংদগী হৌখিবা লাইরিক মেলাদা নহাশিংনা মখোয়গী অপাম্বা লাইরিক খন্দুনা লৈনরি

## নয়া বজার হায়বগী মহুত্তা ইরমদমগী মীং থোনবিয়ু

*ইম্ফাল, মার্চ ৬ঃ* থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাংমৈদোং অমসুং লাই মনাই অনিগী মরক্তা নৌনা শেমগৎলিবা কৈথেলগী মমিং নয়া বজার হায়না থোল্লিবসি ইরমদমগী ওইবা মীং অমা থোনবিয়ু হায়না ফেদরেসন ওফ রিজনেল ইন্দিজেনস সোসাইটি (ফ্রেন্দস) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা হায়রি।

কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল চোংথাম সনাতোম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ওটো সার্ভিস তৌরিবশিংনসু মখোয় মখোয়গী গারিদা নয়া বজার হায়না থারোইদবনি। ইরমদম অসিগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা মীং মীতোপকী লোন্দা ঙসিমকসু চৎনদুনা লাক্লি। অদুনা খুন্নাই অসি কন্নবগীদমক তুংগী মীরোলদা ঐখোয়গী শক্তম কায়দনা থম্নবগী পান্দমদা ফ্রেন্দস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা কোনবা মফমদা লৈবা কৈথেল খুদিংমক্কী সাইন্দ বোর্দতা বজার হায়না থারিবশিং অদু চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা কৈথেল হায়না ওন্থোক্কদবনি হায়রি।

থৌরাং অসিদা মীপুম খুদিংমক্না শৌগৎপীয়ু লোয়ননা কনাগুম্বনা থৌশা ৰাশাদ্রবদি মদুদগী থোক্লকপা থোকহন্নিংদবা থৌদোক্কী অফ–ফত্তা খুদিংমক মরী লৈনবা মীওইশিংনা পুগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।


## উমা আয়ুর্বেদিক ক্লিনিক

**ঙমখ্রে**

না–তাদবা, নুংশা শোৰগী লায়না, ঈশিং পুকচৎ, শম কেনবা অমদি কোক–তাংবা, থাগী ৰিতু কাইবা নৎত্রগা ফিভৌ চৎপা, ফিৰু থুংবা, হক্তিন্নবদা শন্দোকপা লায়না নৎত্রগা গেনোর্রিয়া, নুঙশং, খোংহাম্বা নুংঙাইতবা অমসু পুক শৌগৎপা

***অঙাং য়াওদবা নুপা–নুপীশিংগীদমক***

করিগুম্বা অদোম অঙাং পোত্ত্রবা অমসুং মদুগীদমক অদোম্না নুংঙাইতবা পোল্লবদি ঐখোয়দা পাউ ফাউদোকপীরকউ। ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা, কন্নরবা অমসুং অফবা মখলগী হিদাক্না অদোম শোয়দনা পুক্নিং চংখোল্লবা ইচানুপা/ইচানুপী অমা ফংবা ঙমগনি। মৰমদি অঙাং য়াওদবা নুপা/নুপী কয়ানা অঙাং ফংবা ঙমখ্রে।

***খ্বাং নাবা, খুউ নাবা, নঙ্গল নাবা অমসুং নাকল নাম্মা পংথবা***

করিগুম্বা অদোম নাকল নাম্মা পংথবা, খুউ নাবা, খ্বাং নাবা, খুনিং নাবা, পাম্বোম নাবা, লেংজুম নাবা, মখল খুদিংমক্কী তাং–তাং চীকপা–নাবগী অৰাবা মায়োক্নরবদি চানবিদুনা মফম অসিদা লাকপীয়ু। ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাকশিং শীজিন্নদুনা হায়রিবা লায়নাশিং শোয়দনা ফবা ঙমগনি।

***উনশাগী লায়নাশিং***

অঙৌবা পকপা, উনশাদা মচেৎ নায়না পোমথোকপা, লাইকোই, অমু–অমুবা দাগ তাবা, উনশাগী মহৌশাগী কুচ্চু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং শোয়দনা ফহনবা ঙম্মী। নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা হিদাক শীজিন্নবদগী অঙৌবা পকপা মচু ওনবা হৌরক্কনি অমসুং লায়না অসি থা খরগী মনুংদা মপুং ফনা ফহনবা ঙম্মী। লাই থোকখিবগী দাগ ফাওবা ফহনবা ঙম্মী।

***লুহোংবগী পূন্সি নুংঙাইনা লেনবিয়ু***

***অদোমগী হকতিন্নবগী সমস্যা***

করিগুম্বা অদোম নুমিদাংদা মতোমতা ফন্বী চৎলবা, মপানথোকপা নৎত্রগা খোং হাম্বদা ফন্বী চৎপা, ফন্বী মৰাং কাইনা চত্তবা নৎত্রগা মহি লাংবা, শক্তি হন্থবা, ফিনুংগী হকচাং লীংখৎপা ৰাৎপা, থুনা ফন্বী চৎপা, নুপা নৎত্রগা নুপীগী মখল খুদিংমক্কী ফিনুংগী ওইবা লায়নাশিং লৈরবদি চানবিদুনা ঐখোয়গা পাউ ফাউনবিয়ু। ঐখোয়গী হিদাক শীজিন্নদুনা মীওই লিশিং ২০ হেন্না অসিগুম্বা লায়না ফহনবা ঙমখ্রে। ঈশিং পুকচৎ অমসুং হায় ব্লদ প্রেসৰনা মরম ওইদুনা অঙাং পোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈতবা ফাওবা মফম অসিদা ফহনবা ঙমখ্রে।

***য়েংবদা পূক্লিং চিংশিনবা অমসুং মওং তাবা ব্রেষ্ট***

করিগুম্বা অদোমগী ব্রেষ্ট অদু পীক্লবা নৎত্রগা চোম্থ্রবদি অমসুং অদোম্না অদোমগী ব্রেষ্ট চাওখৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক লৈবিয়ু।

***লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন***

করিগুম্বা অদোম্না অদোমগী লিঙ্গ শাংবা অমসুং চাওবা হেনগৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা মফম অসিদগী মেছিন অসি লৈবিয়ু। মেছিন অসি শীজিন্নবনা লিঙ্গগী শাংবা অমসুং চাওথোকপা শোয়দনা ঙমগনি। লিঙ্গ লীংখৎপগী শক্তিসু হেনগৎহনগনি। হকচাংগী তোংশা অমসুং তাং–তাং চীকপা ফননবা হিদাকসু মফম অসিদা ফংগনি। মসিগীদমক ওর্দর তৌবিরকউ।

লিঙ্গ চাওখৎহন্নবা স্প্রে অমসুং ক্রিমসু মফম অসিদগী ফংবিগনি

***কমদৌনা য়ু থাদোক্কনি***

য়ুদা লাইচুরবা মীওইদা (মশাদা খঙহনদনা) ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাক পীজ পীথকপা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুংদা হরাও– নুঙাইবা হায়বদু হঞ্জিল্লক্কনি। মহাক সোইদনা য়াম্না থুনা লিকর / য়ু থাদোক্কনি।

***অকম্বা হেনগৎহনবা***

চহী মতাং অমা হেক্তদা লৈবা মশা ময়াং কংবা, তাবা তাবাবা নুপামচা / নুপীমচাশিংনা ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক শিজিন্নবা তাৰবদি নুমিৎ খৰানিদা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎহনবা ঙমগনি।

LONG JOHN CREAM - The power of man, CHINEESE MADE ORGAN DEVELOPER & BREAST DEVELOPER ARE AVAILABLE HERE

***LOOSENESS OF PRIVATE PART***

If your private part has become loose due to encess sex, encess children leucorrhoea or any reason, then please contact us. It will be tight using own madicine surrely. Your will be as young girl. no side effect.

***Please Contact:-***
**Dr. R.N.. Gupta (396)**
C/o Uma Ayurvedic Clinic
Thangal Bazar, Khoyathong Road,
Kwality Wall Ice Cream Building, 1st Floor
Khoyathong, Imphal - 795001 (Manipur)

*য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুটতগী লাপথোক্লবা*

করিগুম্বা অদোম্না য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুট শীজিন্নবা থাদোকপা পাম্লবদি চানবিদুনা ডা আর এন গুপ্তা হকথেংননা উনবিয়ু



**ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)**
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE CLASS II - X (BOSEM)

CBSE : REVISION COURSE, CLASS VIII TO ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV

FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS START ON 2nd JAN. 2014

OUR TOPPERS OF HSLC EXAM. 2013

1ST POSITION MIRANDA M. NIRMALABAS
3RD POSITION RATIMANJURI H. NIRMALABAS
5TH POSITION MIRANDA O. NIRMALABAS
6TH POSITION SYDENNY TH. LITTLE FLOWER
14TH POSITION VIVEK A. ST. JOSEPH
15TH POSITION REMA NAOREM NIRMALABAS
16TH POSITION SADA SALAM LITTLE FLOWER
16TH POSITION CHITRA KH. NIRMALABAS
22ND POSITION BIDYALAXMI S. LITTLE FLOWER
24TH POSITION JAYALUXMI NG. LITTLE FLOWER
24TH POSITION PRESCILA RK. NIRMALABAS

SUBJECT TOPPERS : MATHS : MIRANDA O., SYDENNY TH., REMA N., CHITRA KH., JAYALUXMI NG. ADDL. ENG. : BIDYALAXMI S.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

Van Service upto 10km

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726